# ৱারী শান্নবগী মাংওইননা খা সুদানদা খুৎ থোক্লখ্রে



*জুবা, জনুৱারি ২ঃ* খা সুদান্দা খুৎ থোক্লরিবা নাকল অনিনা ইথিওপিয়াদা ৱারী শান্নগদবগী মাংওইননা লৈবাক অসিদা হৌজিকসু হনবা লৈতনা খুৎ থোক্লরি হায়না খা সুদানগী লান্মীগী ৱাঙাংলোই অমনা পাউগী এজেন্সি অমদা ফোঙদোরকখ্রে।

মরুওইনা বোর টাউন অমসুং য়ুনিটি ষ্টেটকী মফম খরদা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লরি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি। গভর্নমেন্ট অমসুং গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা লৈবা কাংলুপ অনিমক্না ইথিওপিয়াগী কোনুংদা য়াশিন্নবা পুরক্লবগী ৱারী শান্নবদা শরুক য়াগদবা মীহুৎশিং হান্ননা থাখ্রবনি। হৌজিক ফাওবদা গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা লৈবা ফোর্সশিংনা ৱারী অসিগী মাংওইননা খুৎ থোক্লবগী ফিভম লোইশিনবদা য়ানিংদবা পোক্লি।

অৱাবা তারবা মীয়ামগী মতেং পাংবা এজেন্সিশিংনসু ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রবা মীকোক মীশিং কয়াগীদমক তঙাইফদনা তেংবাং পোৎলমশিং কন্না মথৌ তারে হায়নসু ফোঙদোকখ্রে। নাইল তুরেলগী মপান্দা লৈবা রিফ্যুজি কেম্প অমদদি চঙজফম লৌদুনা লৈরিবশিংগী ফিভম য়াম্না নাতৈ চাদ্রে। অনকপদা লৈবা বোর টাউনদা খুৎ থোক্লরকপদগী চেন্থোক্লরকপা মীকোক লিশিং ৭৫ কেম্প অসিদা হৌজিক চঙজফম লৌদুনা লৈরি। য়োংলৈ ষ্টেটকী কোনুং ওইরিবা বোর টাউন অসি হৌজিক অমুক হন্না লালহৌবশিংগী খুৎতা তাখ্রবনি। মেদিকেল চেরিটি এন এস এফ কী দেবিদ নাসনা পাউগী এজেন্সি অমদা হায়খিবগী মতুং ইন্না থক্লবা অফবা ঈশিং লৈতে। লৈনুংদা হুৎলগা ঈশিং লৌবা মফম মঙাখক লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে। মীয়াম্না নাইল তুরেলদগী ঈশিং করিমত্তা শেম শাবা তৌদনা থকই। ঈশিং অসি মোৎলি অমসুং ফৎতে। অসিদসু নত্তনা লেত্রিন লৈতে। দাইরিয়াগুম্বা ঈশিংদগী শন্দোকপা লায়না শন্দোকপা য়াবগী ওইথোকপা চপ চানা লৈরে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

গভর্নমেন্টকী সুদান পিপলস লিবরেসন আর্মি (এস পি এল এ) গী কর্নেল ফিলিপ অগুঅরনা হায়বদা বোর টাউন হৌজিক্তি লালহৌবশিংগী খুৎতা লৈখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে। জুবাদগী কিলোমিটর ২০০ (মাইল ১২৫) লাপ্পা লৈবা বোর টাউনঅসি হৌখিবা চয়োল অনিগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা নাকলশিংনা হন্দোক হঞ্জিন কন্ট্রোল তৌনরকপনি। এস পি এল এ না টেক্টিকেল ওইনা হায়বদদি হন্দোরক্লে। অদুবু বোর টাউনগী অকোইবদা খুৎ থোক্লবদি লেপত্রি। মফম অসি এস পি এল এ গী খুৎতা অমুক লাকপা হায়বসি মতমগী ৱানি, শোইদ্রবনি হায়নসু কর্নেল অসিনা পাউগী এজেন্সি অদুদা ফোঙদোকখি। য়ুনিটি ষ্টেটকী নোংচুপথংবা মায়োং এরিয়াদসু খুৎ থোক্লরি। অদুগা অৱাংলোমথংবা ওইল ফিল্ডশিংগী অকোইবদসু খুৎ থোক্লরি চখরি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা খা সুদানগী প্রসিদেন্ট সলভা কিয়ারনা য়ুনিটি ষ্টেট অমদি য়োংলৈদা ইমর্জেন্সি লাওথোকখ্রবনি। চৈরকসিদা খুৎ থোক্লরিবা নাকল অনিমক্কী মীহুৎশিংনা এদিস অবাবাদা ঙসিগী অথেংবদগী ৱারী শাবা হৌনবা লেপ্পখ্রবনি।

# কোর্টতা লাকপদা মুশারফ হার্ট প্রোব্লেম থোকখ্রে



*ইস্লামাবাদ, জনুৱারি ২ঃ* পাকিস্তানগী হান্নগী মিলিটরি লৈঙাক্লোই পরভেজ মুশারফ মহাক্কী মথক্তা লৈবা কেস অমগীদমক কোর্টতা লাকপদা থবাক্তা অনাবা ফাওরক্তুনা হার্ট প্রোব্লেম মায়োক্লবদগী হোস্পিটালদা এদমিট তৌরে হায়না মহাক্কী উকিলশিংনা ফোঙদোরকখ্রে।

মশাগী চহি ৭০ শুরবা মুশারফ অসি রাউল পিন্দিদা লৈবা আর্মদ ফোর্সেস কার্দিওলোজি হোস্পিটালদা লায়কন্নরি হায়নসু উকিলশিংনা ফোঙদোকখি। মসিগা থানা হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিনা কোর্টতা মশা লাকপা ঙমখিদবা থেংখাং অহুম্লক শুরে হায়রদুনা অহানবগী থেংখাং অনিরক্তনা সিক্যুরিটিগী রিজনা মরম ওইদুনা মহাক কোর্টতা লাকখিদবনি। মহাক্কী মথক্তা লৈরিবা ত্রিজন চার্জ অসি ইং ২০০৭ তা মহাক্না কন্সটিট্যুসনবু সস্পেন্দ তৌদুনা থম্লগা ইমর্জেন্সি লৈঙাক থমজিনখিবগা মরী লৈনবনি। অদুবু মহাক্কী মথক্তা শিরিবা মরালসি মুশারফনা য়াদবগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা শিরিবা মরালশিং অদু পোলিটিকেল ওইবা শরৌ অমনি হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।

অমরোমদা ত্রিজনগী ৱায়েল চত্থগদবা হান্নগী মিলিটরি লৈঙাক্লোই হায়রগদি পাকিস্তান্দা মহাক্না অহানবনি। লৈবাক অসি য়াম্না শাংবা লান্মীগী লৈঙাক অমসু লৈরকপনি। করিগুম্বা মহাক্কী মথক্তা লৈরিবা মরাল অসিদা চপ চানা খুদম ফংবা তারবদি শিবগী চৈরাক নত্রগা পুন্সিচুপ্পা ৱায়েলশঙদা লৈবগী চৈরাক ফংনিংঙাই ওই। ত্রিজন চার্জখক্তা নত্তনা মী হাৎপগী অমদি ৱায়েল কাংলম থিংজিনবগী মরালশিংসু মুশারফনা মায়োক্লরি।

হোস্পিটালদা মহাক্কী ফিভম কমদৌরিবগে হায়বগী মতাংদদি ডোক্তরশিংনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরক্ত্রি। রাউল পিন্দিদা লৈবা হোস্পিটাল অদুগী অকোইবদা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৈরে অদুগা মীচমশিং চঙহন্দ্রে হায়নসু অউবশিংনা ফোঙদোরক্লি। মহাক্কা লোয়নরকপা অচৌবা মোটোরকেদ অদুসু অনকপদা থৈদোক্তুনা থমখ্রে। অদুগা মহাক্কী উকিল খালিদ রানঝানা হায়বগী মতুং ইন্না হান্নগী প্রসিদেন্ট অসি হার্ট প্রোব্লেম মায়োক্লরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা মুশারফ অসি ফজনা ইরোইবা ঙম্বা অদুগা মতম অমগী কম্মান্দো ওইনা হকচাংগী ফিভম ফজনা ফবা লান্মী অমনি। মহাক্কী উকিল রাঝানা হায়বগী মতুং ইন্না পরভেজ মুশারফ অসি মশা য়াম্না শেংবা মীশক অমনি। অদুবু থবাক্তা চৈনা ফাওরকপদগী ডোক্তরশিংনা মহাকপু কুপ্না শেন্নরি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

## শীংগী কান্নবা

*চহি কয়াগী মমাংদগী হকচাংগী নুংঙাইতবা কয়াবু কোকহন্নবা য়ুমদা ফংবা মহৌশাগী হিদাক অমা ওইনা শীং শিজিন্নরকপশিংনা হকচাংদা চাখিবা চিঙ্গাক তুমহনবা অমদি অরাম্বা ফাওহনবা হেনগৎহল্লি। নুপী ওইবীশিংগী থাগী খোঙকাপ লাকপদা চৈনা ফাওবা হঙ্গহল্লি। চাখিবা চিঙ্গাক্তগী মচি ওইবা শরুকশিং হকচাংনা লৌশিনবা অমদি পুনশিন্নবদা শীংনা মতেং ওই। হকচাং নুং পান ওন্দুনা নাওশোন্নবা অমদি ওনিংবা ফাওবনচিংবদা খোইহি তৈরবা শীং মচেৎ অমা উমবদা নুংঙাইতবা কোকহল্লি। লোক থুংবগা মরী লৈননা খৌনাও নাবা অমদি লোক খুবা ফংহনবদসু শীং হায়বসি য়াম্না কান্নবা মচল অমনি। শীংদা য়াওবা এন্টি ওক্সিদেন্ট অমদি মীনরেলশিংনা মীওইবদা য়াম্না কান্নহল্লি।*

# পেলিষ্টিনিয়ান এনভোই শিখিবদু উপু হাংনবা হোৎনবদা পোকখাইরকপদগীনি

*প্রাগ, জনুৱারি ২ঃ* জেক রিপব্লিকতা পেলেষ্টিনিয়ান এনভোই ওইবা মীশক অমা শিখিবদু মহাক্না প্রাগকী সুকদোল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মশাগী য়ুমদা য়াম্না চেকশিন্না থম্বা উপু অমা হাংনবা হোৎনরুবদা শোয়দুনা পোকখাইরকপা ওইগনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোরকখ্রে।

মশাগী চহি ৫৭ শুরবা জমল অল জমল হায়বা দিপ্লোমেট অদু পোকখাইখিবদুগী মতুংদা প্রাগ মিলিটরি হোস্পিটালনা পুখৎলগা পুং খরগী মতুংদা শিখিবনি। পোখাইরকখিবদু এনভোই মশামক্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা অমসুং মথোং খঙদনা উপু অদু হাংলুনবা হোৎনরুবদগী পোকখাইরকপা ওইগনি হায়না প্রাগ পুলিসকী ৱাঙাংলোই নুপী এন্দ্রিয় জুলোভানা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

এক্সপ্লোসিভ দিভাইস অদু উপু অদুগী সেভটি মেকানিজমগী শরুক অমা ওইরমগনি হায়নসু পুলিসনা ফোঙদোকই। পাউগী এজেন্সি অমনা হায়বগী মতুং ইন্না জমলনা হাংনবা হোৎনরুবা উপু অদু চহি ২০ লোম চেকশিন্না সিল্ড তৌদুনা থম্লকপা উপু অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি। অরিবা এম্বেসি অসিগী মফম অমদা কনামত্তনা য়েংশিন্দনা লৈরকপা উপু অমদু চহি ২০ দগীনা ২৫ ফাওবগী মনুংদা কনাগুম্বা অমত্তদা পায়রুদ্রিবা উপুনি হায়নসু পেলেষ্টাইনগী ফোরেন মিনিষ্টর রিয়াদ মালকিনা পাউগী এজেন্সি অমদা ফোঙদোকখ্রে।

পোকখাইরকপা অদুদা দিপ্লোমেট অদুগী লোয়নবীসু অশোক অপন নংবগা লোয়ননা মৈখু হোনজিনবগী খুদোংথিবা থোকখি। মহাকপুসু মোটোল হোস্পিটালদা পুখি হায়রি। দিপ্লোমেট অসিগী মথোল অনি শাবা এপার্টমেন্টতা থোকখিবা পোকখাইবগী থৌদোক অদুদা মতম অদুমক্তদা ময়ুমদা লৈখিবা মচানুপাদি করিগুম্বা অশোক অপন অমত্তা নংখিদে হায়রি। উপু অদু হান্না অমনবা দিপ্লোমেটিক মিসন অমদা লৈরম্বদগী অনৌবা মথোল অনিগী শঙলেন অদুদা পুশিনখিবনি হায়নসু পেলেষ্টিনিয়ান ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে। পোকখাইখিবদুগী চপ চাবা মরম খঙদোক্লবা থিজিন হুমজিনবগী থবক্তা মতেং পাংলুনবা পেলেষ্টাইননা অৱাংবা থাক্কী মীহুৎ কাংবু অমা প্রাগতা থারগনি হায়নসু মিনিষ্ট্রিনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোকখ্রে।

# খা মেরুদগী পেসেঞ্জরশিং রেস্ক্যু তৌবা হৌখ্রে



*বৈজিং, জনুৱারি ২ঃ* খা মেরুগী উন মরক্তা লেংবা য়াদনা লৈখ্রবা একাদমিক সোকালস্কী হায়বা রিছার্চ মিসন অমা চঙখিবা জহাজ অদুদগী পেসেঞ্জর ৫২ হেলিকোপ্তরনা রেস্ক্যু তৌবগী থবক হৌখ্রে হায়না লিখুল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অষ্ট্রেলিয়াগী রেস্ক্যু ওপরেটরশিংনা হায়বদা জহাজ অদুদা য়াওখিবা সাইন্টিষ্টশিং অমদি লমকোইবশিং অদু হৌজিক্তি ঔরোরা ওষ্ট্রেলিজ হায়বা জহাজ অসিদা লোইনমক য়ৌরক্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে। রিছার্চকী জহাজ অসিবু কন্নবা চঙখিবদগী লেংবা য়াদনা লৈখ্রবা চাইনাগী আইস ব্রেকর অমদা য়াওবা হেলিকোপ্তরনা মখোয়বু গ্রুপ শেন্নগা হোন্দোরকপনি হায়রি।

হৌখিবা দিসেম্বর ২৪ দগী উন মরক্তা চপ্তুনা লৈখ্রবা সোকালস্কীদগী ক্রু মেম্বর ২২ দি হিজাও অদুনা লেংবা য়ারকপা মতম ঙাইদুনা লৈখিগনি হায়রি। সোকালস্কী অসি হৌজিক ওষ্ট্রেলিয়াগী টাস্মুনিয়া ষ্টেটকী কোনুং হোবার্টতগী খা রোমদা নোটিকেল মাইল ১৫০০ লাপ্পা মফম অমদা উন পুবা অকনবা নুংশিৎনা পুশিল্লকপা অথাবা উন মরক্তা হৌজিক লেংবা য়াদনা লৈরিবনি। জহাজ অসি ওষ্ট্রেলিসিয়ান এন্টার্কটিক এক্সপিদিসন্না শিজিন্নদুনা রিছার্চ মিসন অমা চঙখিবনি। খোঙচৎ অসিগী লুচিংবা ক্রিষ্ট টর্নিনা হায়বদা ঐখোয় হৌজিক্তি ঔরোরা ওষ্ট্রেলিজদা অশোই অঙাম য়াওদনা থুংলরে। মসিগীদমক চাইনিজ অমদি ওষ্ট্রেলিসিয়ান এন্টার্কটিক এক্সপিদিসনগী টিমশিংবু থাগৎলি হায়না ফোঙদোকখ্রে। চাইনাগী আইস ব্রেকর জু লোংদা য়াওবা হেলিকোপ্তর অদুনা জহাজ অদুদগী মীওই ১৫ গী গ্রুপ অমমম শেমদুনা লৌথোক্লুবদা হঙ্গৎ হন্দা পায়বদা মিনিট ৪৫ চঙই হায়রি।

বিবিসিগী এন্দ্রু লক বেক্করনা সোকালস্কীদগী মিনিট ১৫ চঙনা পায়রকপা অদু য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফ্লাইট অমনি হায়না ফোঙদোকখি। পেসেঞ্জরশিংবু ঔরোরা ঔষ্ট্রেলিজগা নক্লনা লৈবা আইস ফ্লো অমদা হাপ্লগা আইস ব্রেক্কর অসি য়ৌনবা হি মচা অমনা অমুক পুথোরকপনি। অতোপ্পা লিখুন অমনা হায়বদা একাদমিক সোকালস্কীদা লৈহৌরিবা ক্রু মেম্বরশিং অদু উনগী মঁপে অসি পাথরকপা ঙাইবদা চয়োল খরদি চঙগদৌরি হায়না ফোঙদোরকই।



*ইজরেলনা লেবানন্দা লান্দাবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা এরিয়েল সারোন (ইনসেট) না লানগী ফিভম য়েংলি (ফোটোঃ ফাইল)*

# ইজরেলগী হান্নগী পিএম সারোন কন্না নারে

*জেরুসালেম, জনুৱারি ২ঃ* ইজরেলগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর এরিয়েল সারোন হৌখিবা চহি ইং ২০০৬ তগী কোমাদা লৈরকখিবা অদু হৌজিক অরুবা ফিভমদা লৈরে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

মহাকপু লায়কন্নরিবা ডোক্তরশিংনা ফোঙদোকখিবদা ফিভম অসি মহাক্কী পুন্সিদা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা তাঙ্কক য়ৌরে। মশাগী চহি ৮৫ শুরবা সারোন অসি কিদনি য়াওনা হকচাংগী কয়াৎ কয়ামরুম মথৌ ফজনা তৌরক্তবদগী লায়কন্নদুনা লাকখিবনি হায়রি। ইং ২০০১ দা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরবা মতুংদা ২০০৫ দা মাইল্ড ষ্ট্রোক অমসু নংখি। ইং ২০০৬ তা অকনবা ষ্ট্রোক অমা মায়োক্লবদগী মহাক কোমাদা লৈখিদুনা হৌজিক ফাওবা অরুবা ফিভম অমদা লৈরকপনি। মহাকপু লাইকন্নরকপা অসিগা মরী লৈননা তেল হাসোমর হোস্পিটালগী প্রোফেয়ার জিব রোটস্টৈনা হায়বদা ঐনা ওইরক্কদববু হেক্তমক হায়বদি ঙমদে। অদুবু খ্বাইদগী ফত্তবা ফিভম অদু ওইরক্লনি হায়না মহাক্কী মচাশিং অমদি দোক্টরশিংদা ফাওনরে হায়না ফোঙদোকখি। অমরোমদা কোমাদা লৈবা অসিনদি মীওই অমবু অনাবা লুরে হায়বা য়াবা ফিভমদি ওইদে হায়রি।

থোপতা শাথিবা অমাং অতা থোকপদগী ৱাখল মাংখিবা য়াই অদুগা করিমত্তা খঙদনা লৈরকখিবা য়াই। অদুবু হকচাংগী মরুওইবা থম্মোই, লিভর অমদি কিদনিনচিংবা কয়াৎশিংদি মথৌ অদুমক চত্থদুনা লৈবা য়াই হায়নসু ডোক্তরশিংনা ফোঙদোকই।

চেকশিন থৌরাং নিয়ম চুম্না লৌখৎতুনা ফিদ্দিং ট্যুব পানশিনবা অদুগা অলসরনচিংবা থোকহন্দনবা পেসেন্ট অমবু মওং চুম্না চাং নাইনা লেংথোক লেংশিন তৌরবদি পেসেন্ট অমবু ফিভম অসিদা চহি কয়ামরুম হিংহন্দুনা থম্বসু য়াই। অদুবু মতমগী মতুং ইন্না হকচাংদি শোকচিল্লকই। তোংশাশিং শোন্থরকই অদুগা নিউমোনিয়া য়াওনা ইনফেক্সনশিং থোকপগী খুদোংথিবা লৈরকই হায়নসু ডোক্তরশিংনা ফোঙদোকখি।

ৱাফম অমনা ইজরেল লৈবাক অসি ইং ১৯৪৮ দা হেক শেম্লকখিবগী মতুংদা অচৌবা লান মরিরক শোক্লদুনা মায় পাকপা পুরকখিবা এরিয়েল সারোনবু ইজরেল মচাশিংনা অচৌবা মিলিটরি লিদর অমনি হায়না ঈকায়খুম্নবনি। ইং ১৯৬৭ অমসুং ১৯৭৩ গী লাঞ্জাওশিংদা মহাক্না লুচিংবা দিভিজনশিংনা ইজরেলবু মায় পাকহনবদা মহাক্না অচৌবা থৌদাং লৌখিবনি। ইং ১৯৮২ দা মহাক্না দিফেন্স মিনিষ্টর ওইরিঙৈদসু লেবানন্দা ইজরেলনা লান্দাখিবগী মাষ্টরমাইন্দ ওইখিবনি।

লানফম অদুদা লেবাননগী খৃষ্টান মিলিসিয়াশিংনা ইজরেলগী মপাং ওইদুনা ইজরেলগী কন্ট্রোল মখাদা লৈবা বৈরুট রিফ্যুজি কেম্প অনিদা লৈবা পেলেষ্টিনিয়ান চা কয়ামরুম হাৎখিবনি।

# ত্রেননা ষ্টৈসনগী য়ুমথক্তা থোমজিনখ্রে

*লন্দন, জনুৱারি ২ঃ* লন্দনগী ব্লেক ফ্রিয়র ষ্টৈসনগী য়ুমথক্তা থেমসলিঙ্ক ত্রেননা থোমজিনবগী থৌদোক অসিগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন হৌখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

ত্রেন অদুগী মথক্তা পুবা ওভরহেড লাইনশিংগা শমজিন্নহনবা দবাগী পেন্তোগ্রাফনা মতৌ করম্না ষ্টৈসনগী য়ুমথক অদুদা য়ৈশিল্লকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। ফার্ষ্ট কেপিটেল অহানবা ননেক থেমসলিঙ্ক সার্ভিসকী ত্রেন অসি থৌদোক অসি থোকপা মতমদা খারোম পাংনা চেল্লকখিবনি হায়বগা লোয়ননা সেন্ত্রেল লন্দন ষ্টৈসনগী অসিগী য়ুমথক্তা ত্রেন অসিনা থোমজিনবগী থৌদোক অদু গ্রিন ৱিটচ মিনটাইমদা অয়ুক পুং ৯.৫৫ দা থোকখিবনি হায়রি। থৌদোক অদুদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা অশোক অপনদি য়াওখিদে। ত্রেন অদু খুদোংথিবা থোক্লিবা মফম অদুদগী লৌথোকখ্রে হায়রি। পেসেঞ্জরশিংনা পায়রিবা টিকেটশিং অদুগী মতেংনা মখোয়গী খোঙচৎ মখা চত্থনবা লন্দন অন্দরগ্রাউন্দ সার্ভিসতা চৎনখি হায়রি।

থৌদোক অসিনা মরম ওইদুনা লাইন অসিদা ত্রেন চেনবগী মতম মিনিট ৪৫ রোম থেংথখি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# মাইগ্রেন্টশিংগী মতাংদা জর্মনিগী রুলিং কোলিসন্দা য়েৎনবা থোক্লে

*বর্লিন, জনুৱারি ২ঃ* বলগেরিয়া অমদি রোমানিয়াদগী চঙলকপা মাইগ্রেন্টশিং করম্না থমগদগে হায়বগী মতাংদা জর্মনিগী অনৌবা রুলিং কোলিসন্দা চয়েৎনবা থোক্লে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

চান্সেল্লর এঞ্জেলা মার্কেলগী মপাং ওইবা কঞ্জার্ভেটিভ বেভারিয়ান এলাইশিংনা হায়বদা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন্দা বেনিফিট টুরিজম থোকহন্দনবা অখন্নবা খোঙথাংশিং লৌখৎলে হায়না ফোঙদোকখ্রে। অদুবু সোসিয়েল দিমোক্রেটসশিংনা পায়রিবা ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হায়বদদি চত্থোক চৎশিন্দা নিংতম্বা য়াহন্দবা অসি য়ুরোপ্তা মাংনিংঙাই ওইগদ্রা হায়বগী মতাংদা ৱার্নিং তৌরকখ্রে।

পনবা য়াবদি বলগেরিয়া অমসুং রোমানিয়াগী শিন্মীশিংনা হৌজিক য়ুরোপকি মফম অমদা অপাম্বা থবক তৌবদা অপনবা অমত্তা লৈহন্দ্রিবনি। য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন্দা খ্বাইদগী লাইরবা লৈবাকশিং ওইরিবা বলগেরিয়া অমদি রোমানিয়া লৈবাক অনি অসি মতম খরগী ওইনা লেবর মার্কেটতা থম্লকখিবা অথিংবা অদু হৌজিকসু চৎনরিবনি। অথিংবা অসি ইং ২০০৭ তা লৈবাক অনি অসিনা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন্দা হেক য়াওরকপদগী থম্লকখিবনি। অথিংবা অসি জনুৱারি ১ ফাওবদি লৈবাক ৯ না থম্লকখিবনি।

য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী ৱেলফেয়র সিষ্টেমদা মাইগ্রেন্টশিংগী ৱাথোক অসিনা অচৌবা চৈথেং পীগনি হায়বগীদমক য়ুনাইটেদ কিংদমদা নুংনাংবা ফাওনরি। ইং ২০০৪ দা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন চাওথোকহল্লকখিবা মতুংদগী চঙশিল্লকপা ইষ্ট য়ুরোপিয়ান মাইগ্রেন্টশিংগী মশিং অসি য়ু কেগী ওফিসিয়েলশিংনা হান্না খল্লম্বদগী য়াম্না হেন্না য়াম্লকখিবনি। অদুগা মতাং অসিদা পনবা য়াবনা এঞ্জেলা মার্কেলগী খৃষ্টান দিমোক্রেটনা ব্যাভরিয়ান খৃষ্টান সোসিয়েল য়ুনিয়নগা মপাং ওইনদুনা কোলিসন গভর্নমেন্ট অমা শেম্লকখিবনি।

# য়ু এসতা লৈবা চাইনিজ কন্সুলেট মৈ থারম্লে



*সান ফ্রান্সিস্কো, জনুৱারি ২ঃ* য়ু এসকী সান ফ্রান্সিসকোদা লৈবা চাইনিজ কন্সুলেট চহি হৌবা নুমিৎকী অহিংদা মৈ থারম্লে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

কন্সুলেট অসিদা থোকপা ৱারোল অমগী মতুং ইন্না মিসন বিল্ডিং অসিগী মমাংদা খাম্বা ভেন অমদগী কুমথরকপা মীওই অমনা কন্সুলেট অসিগী মেইন গেটতা পেত্রোল হৈজিল্লগা মৈ থারম্বনি হায়না ফোঙদোরকখি।

থৌদোক অসিবু কন্সুলেট অসিনা কন্দেম তৌরদুনা হায়রকপদা অসিগুম্বা য়াম্না তমথিবা মাং তাক্লিংঙাই ওইবা মৈহৌ লাংপোক্কী থবক থোকহল্লম্লিবা মীশক অদু পুলিসনা থিদোক্লগা অসিগুম্বা ক্রাইম অসি সোল্ভ তৌগদবনি হায়না তকশিল্লকখি। চাইনিজ কন্সুলেটশিংগী মপান্দা ৱাকৎ ইহৌ চত্থবা অসি নোংচুপ লৈবাকশিংদা তোইনা থোক্লবসু ভাইওলেন্সকী থৌদোকশিংদি য়াম্না তাংই হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

ঙরাংগী মৈ চাকপা থৌদোক অদুদা কনাগুম্বা অমত্তা অশোক অপনদি নংখিদে। অদুমকপু বিল্ডিং অদুদি শাথিনা মাং তাক্লে হায়নসু চাইনিজ ওফিসিয়েলশিংনা পেন্দবা ফোঙদোরকখি।

# থাইলেন্দ গভর্নমেন্টপু য়াদবশিংগী ৱাকৎ ইহৌ জনুৱারি ১৩ দগী কনশিল্লক্কদৌরি

*বেঙ্কোক, জনুৱারি ২ঃ* থাইলেন্দদা গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা ৱাকৎ ইহৌ চঙশিল্লিবশিংগী মকোকথোংবা লুচিংবা অমনা লাক্লিবা জনুৱারি ১৩ দগী গভর্নমেন্টকী মথক্তা য়িংলুক সিনাৱাত্রাগী লৈঙাক ইম্থুনবা অকনবা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না লাওথোকখ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা থা অসিগী অরোইবা তাঙ্খাইদগী গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা অকনবা ঈরাং থোক্লককপা য়ানা লৈরে।

মীয়ামগী অচৌবা রেল্লিশিং জনুৱারি ১৩ গী অয়ুক্তগী হৌগনি হায়বগা লোয়ননা বেঙ্কোক্কী মরুওইবা লম্বী লম্লোংশিংদা ৱাকৎ ঈহৌ চঙশিন্নবা ষ্টেজ ২০ লোম শাগনি হায়নসু পিপলস দিমোক্রেটিক রিফোর্ম কম্মিটিগী লুচিংবা সুথেপ থাউংসুবাননা ঙরাং অহিং ফোঙদোকখ্রে। গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা লৈবশিংবু লম্বী লমজাওশিংদা থোক্তুনা অকনবা ঈহৌ শাগৎনবা মহাক্না আপিলসু তৌখি। হন্দক্কী অনৌবা খোঙজং অসি লাক্লিবা জনুৱারি ৫ দগী হৌরবা য়াই। নুমিৎ অসিদা বেঙ্কোকতী মফম কয়ামরুমদা চৎপা মীয়ামগী খোঙচৎশিং মমাংদা তৌখিবগুম্না ঐনা লুচিংগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। হান্নগী ওপোজিসন দিমোক্রেট পার্টিগী লুচিংবা অসিনা হায়খিবদা ৱাকৎ ঈহৌশিং অসি থা অমা হেন্না চত্থরবা য়াই। নত্রগনা য়িংলুকক্কী কেয়ার টেকর গভর্নমেন্ট অসি হেক তুদ্রিবা ফাওবা চত্থরবা য়াই হায়নসু মহাক্না মখা তাখি। ৱাকৎলোইশিংনা নুমিৎ খুদিংগী ওইনা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎনবসু শেম শারি। চৈরকসিদা মথং থাগী তাং ২ দা জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোক্কনি হায়না গভর্নমেন্টনা লাওথোকখিবা অদুসু পাঙথোকপা য়াবগী ফিভম হেন্ন হেন্না মাংশিল্লক্লি। লিগেলগী ওইবা অরুবা মরমশিংনা থাইলেন্দগী প্রোভিন্স খরদদি মীরেপশিং রেজিষ্ট্রেসন তৌবদসু অপনবা থোক্লে হায়না দি নেসন পাউচেনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

রুলিং ফ্যুথাই পার্টিনসু ইলেক্সন কম্মিসন্দা কেন্দিদেটশিংগী রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী মতম শাংদোক্লবা তকশিনখিবগা লোয়ননা পুলিস ষ্টৈসনশিংদা রেজিষ্টর তৌবা কেন্দিদেটশিং মীরেপ ওইবা য়াহনগদবনি হায়নসু তকশিনখ্রে।

অমরোমদা গভর্নমেন্টনা পুথোরক্লিবা ৱাফম অসি লৌদবগা লোয়ননা ইলেক্সন কম্মিস্নার সোমচাই শ্রীসুথিয়াকোরননা হায়খিবদা ইলেক্সন লোনা কেন্দিদেটশিংগী রেজিষ্ট্রেসনদি মমাংদা কম্মিসন্না লাওথোকখিবা মফমশিং অদুখক্তদা পাঙথোক্কনি হায়খিবদুনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

## অইবা অমসুং অয়েকপা নোংলান






## SANALEIBAK SUDOKU

SANALEIBAK SUDOKU-114

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 2 | | | 9 | | | | |
| 4 | 7 | | 2 | | | | | |
| | | | 7 | | 5 | | | 3 |
| | 6 | | | | | | | |
| 8 | | | | 1 | | | 9 | |
| | | | 3 | | | | | 7 |
| | | | 8 | | | | 2 | |
| 1 | | | 5 | | | 7 | | 8 |
| | | 9 | | | | 6 | | |

Prepared by : ROGER -A

YESTERDAY SOLUTION

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 4 | 2 | 7 | 6 | 9 | 1 | 5 | 3 |
| 3 | 7 | 5 | 8 | 1 | 2 | 9 | 4 | 6 |
| 1 | 9 | 6 | 3 | 4 | 5 | 7 | 8 | 2 |
| 6 | 2 | 3 | 1 | 9 | 4 | 5 | 7 | 8 |
| 7 | 5 | 4 | 6 | 2 | 8 | 3 | 1 | 9 |
| 9 | 8 | 1 | 5 | 3 | 7 | 2 | 6 | 4 |
| 2 | 1 | 8 | 9 | 5 | 6 | 4 | 3 | 7 |
| 4 | 3 | 7 | 2 | 8 | 1 | 6 | 9 | 5 |
| 5 | 6 | 9 | 4 | 7 | 3 | 8 | 2 | 1 |

**FILL THIS BLANK:**
*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*